ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসকী মীৎয়েং মখাদা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মেদিকেল ষ্টাফশিংনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেরো সর্ভিলেন্স চথখিবগী শক্তম
*লামায় ৩*


লম্ফেলদা লৈবা ইপাথৌকোক্কী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা নিংঙোম্বম যাদুনা অঙাংগী লীলা *ঐ লাঞ্জখ্রে* হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখিবা
*লামায় ১*


উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়দা লৈবা এন লাকপতিগী য়ুম মৈনা চাকখিদুনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা ইমুংদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী চ্যেরপর্সন ওইরন্বী আর কে রানিস্নানা শেল তেংবাংখিবা
*লামায় ৩*


রাজ মেদিসিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী সিনিয়র কন্সল্টেন্ট ডা. অথোকপম নরানবাবুনা লৈখিদবদা হোস্পিটাল অসিগী ষ্টাফশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৰাবা ফোঙদোকখিবা
*লামায় ১*

Vol. 44, Issue No. 244 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী ১৬ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, December 01, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## কোভিদনা লৈখিদ্রবা মীওইগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লবা আই এম সীনা লুপা লিশিং ১৫ লৌবগী থৌওং মীয়াম্না পেন্নদ্রে

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইগী অরোইবা মথৌ-মঙম পাঙথোক্লবগীদমক ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী)না লেবর চার্জ অমদি ক্রিমেসন চার্জ ওইনা লুপা লিশিং ১৫ লৌবগী থৌওং মায়কৈ কয়াদগী মীয়াম্না পেন্নদবা ফোঙদোক্লরক্লি।

পাউচে অসিদা মীওই খরনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী লৈখিদ্রবগী মথৌ-মঙম পাঙথোক্ল বগীদমক লেবর চার্জ অমদি ক্রিমেসন চার্জ ওইনা এ পি আর কত্তুনা লুপা লিশিং ১৫ লৌরিবা অসি তশেংনা অৰাবা তাদুনা অশি-



অনা থোক্লিবা ইমুং-মনুংশিংদগী লৌহন্নিংদে। অদুবু উপাই লৈত্রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা লৈত-লৈত শেল অদুমক পীদবা যাদবনা পীনরি। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মথৌ-মঙম পাঙথোকপগীনি হায়দুনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা লেবর চার্জ অমদি ক্রিমেসন চার্জ ওইনা লুপা লিশিং ১৫ লৌরিবা অসিগী মতাংদসু অমুক হন্না শেনফম অসি হন্দোরক্কদৌরিবা নৎত্রগা হন্দোক-পীরক্লরোইদরা হায়বদুসু চপচানা খঙদে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক মীয়ামদা চমন্নবা কয়া লৈরিবা অসি কোক্লনবগীদমক ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক কৎথোকপা অমগা লোয়নন্না থবক তৌবিরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিয়ু। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনসু তঙাইফদনা মীয়াম খঙনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবগী মথৌ-মঙম পাঙথোকপগীদমক শেল লৌরিবা অসিগী মতাংদা গাইদ লাইন অমসু শেম্বিয়ু। নৎত্রবদি লৈখিদ্রবগী ইমুং খরদগীনা শেল লৌখি অমদি ইমুং

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ইরং থোং নৌনা শেম-শাবা লোইখ্রে, হয়েং শঙ্গারগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচএনএস) : মীয়াম্না নুমীৎ কয়ানিদগী খৌরাংনা ঙাইনরক্লিবা ইরং থোং শেম-শাবগী থবক অমদি থোংগী নাকল অনীগী লম্বী শেমজিন-শাজিনবগী থবক লোইশিনখ্রে। পাউচে অসিনা ফংবা পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না ইরং থোং নৌনা শেম-শাবগী থবক লোয়শিল্লকপনা হয়েং দিসেম্বর ২দা ইরং থোং শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নরগনি হায়রি।

ইরং থোং শঙ্গাবগী থৌরম অসিদা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, মিনিষ্টরশিং, চীফ সেক্রেটরি অমদি এন ঐচ আই দি সী এলগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াগনি হায়রি। ইরং থোং শাঙ্গবগী থৌরম অদুদা তেংনৌপলগী দি সীসু শরুক য়াগনি। ইরং থোং শঙ্গাবগী নুমীৎ অসিদা ইরং তুরেলগী মথক্তা নৌনা শাগদৌরিবা আর সী সী থোং শানবগী উরেপ-উয়ুংসু তমগদৌরি। নীংশিংবা য়াবদি ইরং থোং নবেম্বর ১দা দিমাপুরদগী লাকখিবা লৈঙোই পুবা ট্রক টিপ্পর অমা লানবদা তেক্তুনা তাশিনখিবনি। লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা ট্রক্কী দ্রাইভর নুমীৎ খরনি থিবা খঙদনা লৈরক্লবা মতুং শিনা ফংখিবনি। তেকখ্রবা থোং অসি শেম্নবা ইন্দিয়ন আর্মিনা তেংনৌপলদা শীজিন্নদনা লৈবা বেল্লি ব্রিজ অমা শীদোক্তুনা পুরক্লগা ইরং থোং ওইনা শীজিন্ননবগীদমক বেল্লি ব্রিজকী মচাকশিং অদু নৌনা পানখৎপা হৌরকপদা লোইরমদাইদা অমুক তেক্তুনা তাশিনখিবনি। নেসনল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরি লম্বী অসি ষ্টেট অসিগী অনীশুবা লাইফ লাইন অমসু ওইবা মরম্না মীয়াম্না লম্বী অসিদা লৈরিবা ইরং থোং অথুবা মতমদা শেমজিন-শাজিনবা লোয়শিনবা ঙাইদুনা লৈরকখিবনি। ইরং থোং নৌনা শেমগৎ-শাগৎপগী থবক নেসনল হায়ৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এন ঐচ আই দি সী এল)গী ওফিসলশিংগী মীৎয়েং মখাদা ইন্দিয়ন আর্মিশিংগী ইঞ্জিনিয়রশিংনা তৌদুনা লাকখিবনি।

চাওরাক্লা থা ১ রোম চঙনা ইরং থোং শেমগৎ-শাগৎপগী থবক লোয়রদুনা দিসেম্বর ২দা শঙ্গাদুনা থোং অসিদা গাড়ি লাম্থোক-লানশিন তৌবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : লম্ফেলদা লৈবা ইপাথৌকোক্কী শঙলেন্দা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা নিংঙোম্বম যাদুনা অঙাংগী লীলা *ঐ লাঞ্জখ্রে* হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ফোঙখ্রে। লাইরিক অসি নিংঙোম্বম যাদুগী অহুমশুবা অঙাংগী লাইরিকনি।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা রিটয়ার্দ আই এ এস কাংজম রাধাকুমারনা চীফ গেষ্ট অমসুং ইপাথৌকোক্কী প্রসিদেন্ট সলাম ইবোমচানা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। লাইরিক্কী মরমদা মাখোনমনি মোংসাবনা মশক তাক্তুনা ৱা ঙাংখি। থোইদোকপা থৌরম অমনা শামুরাইলাৎপম নবচন্দ্র শর্ম্মাবু জেনরেল কাউন্সীল, সঙ্গীট নাটক একাদেমী ন্যু দিল্লিগী মেম্বর ওইনা খল্লকপবুসু তরাম্না ওকখি। থৌরম অসি দ ব্লূম্মিং একাদেমী ওফ পারফোর্মিং আর্ট, ইম্ফালনা শীনবনি। পদ্মশ্রী অমদি সঙ্গীট নাটক একাদেমী এৱার্দি হৈস্নাম সাবিত্রি লোয়ননা মশক নাইবা মীওই কয়ানা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : রাজ মেদিসিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পেদিয়াট্রিক্সকী সিনিয়র কন্সল্টেন্ট ডা. অথোকপম নরানবাবুনা লৈখিদবদা ঙসি হোস্পিটাল অসিগী মল্টিপর্পজ হোলদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা রাজ মেদিসিটিগী ষ্টাফশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেন্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবসু থৌনিখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারক্লি।

## ট্রক এক্সিদেন্টতা ৪ শিরে, ৫ শোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : খৌপুম পুলিস ষ্টেসনদগী নোংপোকলোমদা কিলোমিটর ৩৫ রোম চৎলগা লৈবা লোংসাই পার্ট টুগী ওল্ড কছার রোদতা ট্রক (এম এন ০৪ এ-১৮২৭) এক্সিদেন্ট থোক্তুনা গাড়ী অদুদা তোংলকপা মীওই মরি শিরে, মীওই মঙানা শোক্লে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## কে লৈসিওবু হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন খনখিবা মীখল হায়কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীনা সেপ্টেম্বর ১১, ২০২০দা থোকপা নোটিফিকেসন নম্বর ৪/২৯/২০১৭-এল এ (ঐচ এ সী)গী মতুংইন্না এসেম্ব্লী অসিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটি (ঐচ এ সী)গী চ্যেরমেনগী মীখল থা অদুগী ১৬তা পাঙথোক্কনি হায়খিবা অমসুং মীখল অসি পাঙথোক্তুনা এম এল এ কে লৈসিওবু কম্মিটি অসিগী চ্যেরমেন ওইনা খনখিবা ইলেক্সনবু হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা চেলেঞ্জ তৌরকখ্রে।

হায়কোর্টতা হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেনগী ইলেক্সনবু শীংনরক্লিবা পিটিস্নর অদু থা খরগী মমাঙদা বি জে পিগী এম এল এ ওইবদগী রিজাইন তৌরে হায়খিবা ৫৭-হেংলেপ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এক্স-এম এল এ টি থাংজালম হাওকিপ (৬৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি থোংজাচিন হাওকিপ, চুড়াচান্দপুরগী চেংকোনপাং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা হায়কোর্টকী ওর্দর থবক্তা ওন্থোক্লমদ্রে পিটিস্নর ব্রজকুমারগী মতাংদা পীখিবা ওর্দরগী কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্ট পীরক্লবা অরোইবা মতম পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : লৈঙাকসিগী মখাদা লৈবা গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংদা শাংলবা চহী ২২ সর্ভিস তৌরক্লগা সিনিয়র সেলেক্সন গ্রেদ লেকচরর ওইনা থবক্তগী পোথারবা য়াইস্কুল পুলিস লেনদগী মশাগী চহী ৭২ শুরক্লবা অরিবম ব্রজকুমারনা সিভিল আপিল নম্বর- ১০৮৫৭ ওফ ২০১৬কী ৱায়েলদা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা জুলাই ১১, ২০১৯দা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না মঙোন্দা য়ু জি সীগী ৬শুবা সেলেক্সন গ্রেদ লেকচররগী স্কেলদা মহাক্কী পেন্সনগী শেনফম পীহনবীফম থোকই হায়বা ৱাকৎকী ৱায়েলদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা থবক্তা ওন্থোক্লমদবদগী কোর্টসিনা ওর্দরসিগী কমপ্লাইয়েন্স রিপোর্ট পীরক্লবা অরোইবা মতম (চান্স) পীখ্রে।

মার্চ ৩১, ১৯৯৬তা সুপরএন্ন্যু-য়েসনদা গভর্ণমেন্ট কোলেজগী সিনিয়র সেলেক্সন গ্রেদ লেকচরর ওইবদগী থবক্তগী পোথাখ্রবা পিটিস্নরনা ৬শুবা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসনগী সেলেক্সন গ্রেদ লেকচররগী স্কেলদা মহাক্কী পেন্সনগী শেনফম ফংহনবীয়ু হায়জরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর- ৬৫৩ ওফ ২০১৯নি। পিটিসন অসি ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং মসিগী হকথেংননা মরী লৈনবা মকোক থোংবা ওফিসল অনীগবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরে
### মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং লিশিং ২৫ হেনখ্রে, মীওই ৮ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন নৌনা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরে।

হৌখিবা নবেম্বর ১৫দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবা মতুংদা ঙরাং অমুক আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌননবা সেম্পল লৌখিবনি। সেম্পল অদু জেনিমস হোস্পিটালদা টেষ্ট তৌরবা মতুং ঙসি ফংখিবা রিপোর্টতা নেগেটিভ ওইবা থেংনখিবনি। সী এমনা মহাক নেগেটিভ ওইরে হায়বা ৱাফম অসি মহাক্কী ফেসবুক পেজদসু ফোঙদোরকখ্রে।



অমরোমদা, মণিপুরগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস মশীং লিশিং ২৫ হেনখ্রে। পুং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ ওইবা মীওই ৮ লৈখিদ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী ঙসি নুমীদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৭১ শুরবা নুপা অমা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৮০ শুরবা নুপা অমা, ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৭৬ শুরবী নুপী অমা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৫৪ শুরবা নুপা অমা, ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহী ৯০ শুরবা নুপা অমা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৬২ শুরবা নুপা অমা, বিষ্ণুপুরদগী মশাগী চহী ৭০ শুরবা নুপা অমা অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী মশাগী চহী ৭১ শুরবা নুপা অমা পুন্না মীওই ৮ লৈখিদ্রে। মীওইশিং অসি রাজ মেদিসিটিদা অমা, শিজ হোস্পিটালদা অনী, জেনিমসতা অনী অমসুং রিমস হোস্পিটালদা অহুম লৈখিদবনি। মণিপুরগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসিনা লৈখিদবা মশীং ২৮১ শুখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নুপা ৭৫ অমসুং নুপী ৬০ পুন্না জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১৩৫সু ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এন আই এনা সলাইগী মায়োক্তা অনৌবা ক্রিমিনেল আপিল অমসু ফাইল তৌরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনিজ অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিস অমদি বেঙ্ক একাউন্টশিং নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ) গুৱাহাতিনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা থিংজিন্দুনা থম্লকপদগী থা অসিগী ২দা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর অমদা হাংদোকহনখিবগী মায়োক্তা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ক্রিমিনেল আপিল নম্বর- ১২ ওফ ২০২০ অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস (ক্রিমিনেল আপিল) নম্বর-৩০ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা অনৌবা মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপিল) অমমুক নৌহৌননা ফাইল তৌরকখ্রে।

এন আই এগী মায়কৈদগী ইনৌ নৌনা ফাইল তৌরক্লিবা মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপিল) অসিগী নম্বর- ৩১ ওফ ২০২০নি। ক্রিমিনেল আপিল অসি সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনিজ অমসুং মসিগী স্মার্ট সোসাইটিগী মায়োক্তা মখোয়বু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি।

সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনিজ অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মায়োক্তা এজেন্সী অসিনা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল আপিল অমসুং মসিগী মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপিল) অনীমক ঙসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা মেট্টরশিং অসিগী মতাংদা খন্ননবা লৌখৎলকপদা এন আই এগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা মহাক্কী মায়কৈদগী ইনৌ নৌনা ফাইল ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## লৈঙাক্কী ডোক্তরশিং লন্নাই হোস্পিটালশিংদা প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌব্রা য়েংশিন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্কী ডোক্তরশিং লন্নাই হোস্পিটালশিংদা প্রাইভেট প্রেক্টিস তৌব্রা হায়বা য়েংশিন্নবা হেল্থকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাংনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

হেল্থকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ভি ভুমলুনমাংনা ঙসি লৈঙাক্কী ডোক্তরশিংগী রেগুলর দ্যুটিগা মরী লৈননা হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর, রিমসকী দিরেক্টর অমদি জেনিমসকী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## HL Poll

Q: Social amasung customary gi oiba thouramsingda meeoi 20 dagi henna punba yairoi hairiba asi meeyamna ngakna chatli khanbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipur Leingakna Health Emergency laothoku haina Peoples' Task Force for Covid-19 na taksillakliba asi maram chai khanbra?

Yes 86% No 14%

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২.২৬ ºC
খ্বাইদগী ঈংবা ০৮.৮৪ ºC
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!




ꯁꯦꯝꯖꯤꯟ
## URGENTLY WANTED
### IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE (IDC)

| Sl. No. | Name of Post | Qualification | Post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Office in Charge | Graduate with good communication skills. | 1 | 5 years or above in related field. | Negotiable |
| 2 | Marketing Manager | Graduate Preferred MR with good communication skills. | 1 | 3 years or above in related field | Negotiable |
| 3 | Marketing Executive | 10+2 & above Preferred graduate with good communication skills. | 10 | At least one year or above in related field | Negotiable |
| 4 | Computer Operator | 10+2 or above with relevant cert. | 1 | 2 years or above & must be good at Pagemaker and photoshop. | Negotiable |
| 6 | Senior Lab Technician | MLT or related documents | 3 | 5 years exp. in related trade | Negotiable |

Office Adress:Palace Compound, Govindajee Road, Near Castle Hotel, Imphal East, Contact no. 8118937765

HL-B/6522/12/11-11/12




HL-B/6509/11th Nov. to 5th Dec.




HL-B/6564/01